

# সনালৈবাক স্পোর্টস

IMPHAL, SUNDAY, OCTOBER 21, 2018 **PAGE 7**




*বুদাপেষ্টতা চত্থরিবা ৱার্ল্ড রেষ্টলিং চেম্পিয়ন্সিপকী নুপাগী কেজি ১২৫ গী কাঙলুপ্তা সেমি ফাইনেল য়ৌখ্রবা ইন্দিয়াগী রেষ্টলর সুমিট মালিক*

*রুশিয়াদা পাঙথোকপা ক্রেমলিন কপ টেন্নিসকী নুপীগী সিঙ্গলস টাইটল লৌবা ঙমখ্রবী য়ুম্নু লৈবাক্কী শান্নরোই দারিয়া কসাটকিনানা ট্রোফি লৌদুনা হরাওবা উৎপা*

## *ইন্দিয়ান সুপর লীগ ২০১৮–১৯*

# কেরলা ব্লাষ্টর্স অমসুং দিল্লি দাইনামোস ১–১ দা দ্রো চৎখ্রে



*কেরলা ব্লাষ্টর্স এফসিগী শান্নরোই সিকে ভিনিথ (ময়ায়)না পাঞ্জল চল্লবা মতুং টিমমেটশিংগা হরাওবা ফোঙদোকমিন্নবা*

*কোচি, ওক্টোবর ২০ঃ*

ইন্দিয়াদা পাঙথোকপা ক্লবশিংগী ওইবা ফুটবোল টুর্নামেন্টশিংগী মনুংদা খ্বাইদগী মকোক থোংনা লৈরিবা ইন্দিয়ান সুপর লীগকী ঙসি শান্নখিবা অহুমশুবা রাউন্দগী মেটচ অমদা কেরলা ব্লাষ্টর্স এফসি অমসুং দিল্লি দাইনামোস এফসি পাঞ্জল ১–১ দা দ্রো চৎখ্রে।

কেরলাগী সিটি কোচিদা লৈবা জৱাহরলাল নেহরূ ষ্টেদিয়মদা কেরলা ব্লাষ্টর্স এফসি অমসুং দিল্লি দাইনামোস এফসিনা শান্নখিবা মেটচ অদু অহানবা হাল্ফ শান্নবা হেক হৌরকপদগী অকনবা লম্বা ওইখি।

অহানবা হাল্ফকী মিনট ৪৫ শান্নরকপা অদুদা টিম অনীগী মায়কৈদগী পাঞ্জল চনশিন্নবা হোৎনরকখিবা এটেকশিং অদু মায় পাকপা ঙম্মদনা হাল্ফ অদু লোইশিনখিবদা পাঞ্জল অমত্তা চন্নদনা লাকখি।

অনীশুবা হাল্ফ হেক হৌরকপা ৪৮শুবা মিনটতা য়ুম্নু ওইখিবা কেরলা ব্লাষ্টর্সকী শান্নরোইশিংনা চত্থরকখিবা এটেক অমদা সি কে ভিনিটনা মেটচকী অহানবা পাঞ্জল চন্দুনা ১–০ দা হেল্লগা দিল্লি দাইনামোসকী শান্নরোইশিংদা প্রেসর পীবা হৌখি।

শান্নবগী ৫৬শুবা মিনটতা পাঞ্জল মাঙজিল থাদুনা লৈরিবা কেরলা ব্লাষ্টর্সকী মখা তাবা এটেক অমদা টিম অসিদা শরুক য়ারিবা সৈমিনলেন দোঙ্গেলনা গোল তম্না কাউশিনবদা মপা খজিক্তং থৈখিবদগী পাঞ্জল ওইরম্বা য়াবা খুদোংচাবা অমা মাঙজখি।

পাঞ্জল অমা শোত্থদুনা লৈরিবা দিল্লি দাইনামোস এফসিগী শান্নরোইশিংনা পাঞ্জল হন্দোক্নবা কেরলা ব্লাষ্টর্সকী মায়কৈদা বোল তোয়না তোয়না পুশিন্দুনা এটেক কয়া চত্থরকখি।

শান্নবগী ৮৪শুবা মিনটতা দিল্লি দাইনামোসকী শান্নরোইশিংনা মখা তানা চত্থরকখিবা এটেক অমদা প্রিতম কোটালনা ফিল্ডগী য়েৎথংবা মায়কৈদা পীরকপা ক্রোস অমা টিমমেট এন্দ্রিজা কালুদজেরোভিসনা বোল অদু নীংথিনা কলেক্ট তৌরগা গোল তম্না কাউশিনবদা পাঞ্জল ওইদুনা টিম অনীমক পাঞ্জল ১–১ দা মান্নহনবা ঙমখি।

মখা তানা শান্নরকপা মেটচকী লেমহৌবা মতম অদুদা মায়কৈ অনীদগী অহেনবা পাঞ্জল লৈনখিদবদগী মেটচ অদু টিম অনীমক ১–১ দা দ্রো চৎখি। কেরলা ব্লাষ্টর্সনা ঙসি শান্নখিবা মেটচ অদু দ্রো চৎখ্রবসু পোইন্ট অমা ফংদুনা টেবলগী অনীশুবা পোজিসনদা হাইগৎপা ঙমখি।

ইন্দিয়ান সুপর লীগ ফুটবোল টুর্নামেন্ট অসিগী হয়েং শান্নগদবা অহুমশুবা রাউন্দগী মেটচ অমদা জমসেদপুর অমসুং এটিকে শান্নরগনি।

# ইন্দিয়াগী নুপী সিঙ্গলস শান্নরোই সাইনা নেহৱাল দেনমার্ক ওপন বেদমিন্টনগী ফাইনেল য়ৌখ্রে, কিদম্বি স্রিকান্থ সেমি ফাইনেলদা লৈহৌরে




*দেনমার্ক ওপন বেদমিন্টনগী নুপীগী সিঙ্গলস ফাইনেলদা শান্নগদৌরিবী সাইনা নেহৱাল (ওই) অমদি টাই ঝু য়িং*

*ওদেন্স, ওক্টোবর ২০ঃ*

দেনমার্ককী সিটি ওদেন্সতা চত্থরিবা য়ুএস দোলর ৭৭৫,০০০ গী শেলগী মনা লৈবা দেনমার্ক ওপন বেদমিন্টন টুর্নামেন্টতা ইন্দিয়াগী নুপী সিঙ্গলস শান্নরোই সাইনা নেহৱাল ফাইনেল চঙখ্রে, নুপাগী সিঙ্গলস শান্নরোই কিদম্বি স্রিকান্থ সেমি ফাইনেলদা লৈহৌরে।

দেনমার্ক ওপন বেদমিন্টন টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি শান্নখিবা নুপীগী সিঙ্গলসকী সেমি ফাইনেল মেটচতা ইন্দিয়াগী সাইনা নেহৱালনা ইন্দোনেসিয়াগী মারিস্কা টুঞ্জুংবু ষ্ট্রেট গেমদা মায়থিবা পীদুনা ফাইনেল য়ৌবা ঙমখিবনি।

অহানবা সেট ইন্দিয়াগী সাইনা নেহৱালনা ইন্দোনেসিয়াগী টুঞ্জুংবু হিরম খুদিংমক্তা লম্বা পীবা ঙমখিবদগী ২১–১১ দা লায়না গেম অদু থোইদুনা মাঙজিল থাখি।

গেম অমা মাঙজিল থারবী ইন্দিয়াগী নুপী সট্লর সাইনা নেহৱালনা অনীশুবা গেমদসু মহাক্কী ফজবা মশান্না অদু মখা তানা লৈহনখিবদগী গেম অদুসু ২১–১২ দা থোইদুনা ফাইনেলদা টুর্নামেন্ট অসিগী নম্বর ৱান সিদেদ চাইনিজ তাইপৈগী টাই ঝু য়িংগা শান্নরগনি।

নম্বর ৱান সিদেদ চাইনিজ তাইপৈগী টাই ঝু য়িংনা ঙসি শান্নখিবা নুপীগী সিঙ্গলসকী অতোপ্পা সেমি ফাইনেলদা ৭শুবা সিদেদ শান্নরোই চাইনাগী হি বিং জিয়াওবু ষ্ট্রেট গেমদা ২১–১৪, ২১–১২ দা মায়থিবা পীরম্বনি।

টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি শান্নখিবা নুপাগী সিঙ্গলসকী সেমি ফাইনেল মেটচ অমদা ৭শুবা সিদেদ শান্নরোই ওইরিবা ইন্দিয়াগী কিদম্বি স্রিকান্থপু ২শুবা সিদেদ শান্নরোই জপানগী কেন্টো মোমোটানা ষ্ট্রেট গেম ২১–১৬, ২১–১২ দা থোইরম্লগা ফাইনেল য়ৌবা ঙমখি।

জপানগী কেন্টো মোমোটানা ফাইনেলদা ৪শুবা সিদেদ শান্নরোই চাইনিজ তাইপৈগী চৌ টিয়েন চেনগা শান্নরগনি। চৌ টিয়েন চেননা ঙসি শান্নখিবা নুপাগী সিঙ্গলসকী অতোপ্পা সেমি ফাইনেল মেটচ অমদা দেনমার্ককী এন্দর্স এন্টোনসেনবু য়াম্না অকনবা লম্বা অমা থেংনরবা মতুং ১৯–২১, ২১–১১, ২১–১২ দা থোইরম্বনি।

দেনমার্ক ওপন বেদমিন্টন টুর্নামেন্ট অসিগী নুপাগী দবলসকী ফাইনেলদা নম্বর ৱান সিদেদ পেয়র ইন্দোনেসিয়াগী ফর্নান্দ গিদিওন অমসুং সঞ্জয়া সুকামুলজোনা ৪শুবা সিদেদ পেয়র জপানগী টাকেসি কামুরা অমসুং কৈগো সোনোদাগা শান্নরগনি।

ইন্দোনেসিয়াগী গিদিওন অমসুং সুকামুলজোনা মখোয়গী সেমি ফাইনেলদা অতোপ্পা ইন্দোনেসিয়াগী পেয়র মোহমদ অসান অমসুং হেন্দ্রা সেটিয়াৱানবু ২১–১৮, ২৪–২২ দা থোইরমখি। অদুগা জপানগী টাকেসি অমসুং সোনোদানা মখোয়গী সেমি ফাইনেলদা ইংলেন্দগী পেয়র মার্কস ইলিস অমসুং খৃস লাংদ্রিজবু ২১–১৭, ২১–১৯ দা থোইরমখি।

নুপীগী দবলসকী ফাইনেলদা নম্বর ৱান সিদেদ জপানগী ফুকুসিমা অমসুং হিরোটানা অতোপ্পা জপানগী পেয়র ৫শুবা সিদেদ সিহো টানাকা অমসুং কোহারু য়োনেমোটোগা শান্নরগনি।

ফুকুসিমা অমসুং হিরোটানা মখোয়গী সেমি ফাইনেলদা ৩শুবা সিদেদ পেয়র ইন্দোনেসিয়াগী গ্রেসিয়া পোলি অমসুং এপ্রিয়ানি রাহায়ুবু ২১–১৩, ২১–১৬ দা থোইরমখি। অমরোমদা টানাকা অমসুং য়োনেমোটোনা ঙসি শান্নখিবা মখোয়গী সেমি ফাইনেলদা সাউথ কোরিয়াগী পেয়র জিওং অমসুং য়োংবু ২১–১২, ২১–১৪ দা মায়থিবা পীরম্বনি।

দেনমার্ক ওপন বেদমিন্টন টুর্নামেন্ট অসিগী মিক্স দবলসকী ফাইনেলদা অহানবা সিদেদ পেয়র চাইনাগী ঝেং স্বাই অমসুং হুৱাং য়াকিওংনা থাইলেন্দগী পেয়র দেচাপোল পুৱাভারানুক্রোহ অমসুং সাপসিরি টেরাটানাচাইগা শান্নরগনি।

# ইন্দিয়াগী নুপা রেষ্টলর সুমিট মালিক সেমি ফাইনেল চঙখ্রে

*বুদাপেষ্ট, ওক্টোবর ২০ঃ*

হঙ্গেরিগী কোনুং বুদাপেষ্টতা চত্থরিবা ৱার্ল্ড রেষ্টলিং চেম্পিয়ন্সিপ্তা ইন্দিয়াগী নুপা রেষ্টলর সুমিট মালিক কেজি ১২৫ গী কাঙলুপ্তা সেমি ফাইনেল য়ৌখ্রে।

চেম্পিয়ন্সিপ অসিগী ঙসি পাঙথোকখিবা নুপাগী কেজি ১২৫ কেটেগোরিগী ক্বার্টর ফাইনেলদা ইন্দিয়াগী রেষ্টলর সুমিট মালিকনা কজাখস্তানগী রেষ্টলর ইনকার য়র্মুকাম্পেটপু পোইন্ট ৬–১ দা মায়থিবা পীরম্লগা সেমি ফাইনেল য়ৌবা ঙমখি।

নীংশিংবা য়াই গোল্ড কোষ্ট কম্মনৱেল্‌থ গেমসকী গোল্ড মেডালিষ্ট ইন্দিয়াগী রেষ্টলর সুমিট মালিকনা কেটেগোরি অসিগী প্রি–ক্বার্টর ফাইনেল মেটচতা জপানগী রেষ্টলর টাইকি য়ামামোটোবু পোইন্ট ৪–১ দা মায়থিবা পীরম্বনি। সুমিট মালিক হন্দক্তা ইন্দোনেসিয়ানা য়ুম্নু ওইরগা পাঙথোকখিবা ১৮শুবা এসিয়ান গেমসতা মেডল অমত্তা ফংবা ঙমদনা হল্লকখিবনি।

কেজি ৬১ গী ফ্রিষ্টাইল কাঙলুপ্তা শরুক য়ারিবা ইন্দিয়াগী নুপা রেষ্টলর সোনবা টানাজি গোগানে ঙসি পাঙথোকখিবা ক্বার্টর ফাইনেল বাউট অমদা য়ুরোপিয়ান চেম্পিয়ন রুশিয়াগী রেষ্টলর রাসিদোভ গাদঝিমুরাদকী মখূত্তা পোইন্ট ০–৪ দা মায়থিহৌবদগী সেমি ফাইনেল য়ৌবা ঙমদনা লৈহৌখি।

সোনবা টানাজি গোগাননেনা ক্বালিফিকেসন রাউন্দশিংদা এন্দ্র বেক্রেনুবু ৪–৩ দা থোইরমখি অদুগা লোৱে বিংহামবু য়াম্না হেনবা মওংদা পোইন্ট ১০–০ দা থোইরম্লগা প্রি–ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌরকপনি।

সুসিল কুমারগী মহুৎ শিল্লকখিবা কেজি ৭৪ গী কেটেগোরিদা শরুক য়ারিবা অতোপ্পা ইন্দিয়াগী নুপা রেষ্টলর জিতেন্দ্র ঙসি পাঙথোকখিবা প্রি–ক্বার্টর ফাইনেল বাওটতা স্লোভাকিয়াগী রেষ্টলর অখসারবেক গুলেভকী মখূত্তা পোইন্ট ৩–৬ তা মায়থিহৌখি।

নুপাগী কেজি ৮৬কী কাঙলুপ্তা শরুক য়ারিবা ইন্দিয়াগী রেষ্টলর ক্বালিফিকেসন রাউন্দদা য়ুক্রেনগী রেষ্টলর এমরাজ ঝাফারিয়াননা পোইন্ট ৬–০ দা থোইরমখি।

# ঙসি পাঙথোক্কদবা সেপাক তাক্রৌ এসোসিয়েসনগী ইলেক্সন হায় কোর্টনা থীংজিনখ্রে

*ইম্ফাল, ওক্টোবর ২০ঃ*

ঙসি হায় কোর্ট ওফ মণিপুরগী জষ্টিস লানুংশুংকুম জামিরগী বেঞ্চনা পীখিবা ওর্দর অমদা হয়েং অয়ুক পুং ৯ লোম তারকপদা ইম্ফাল ইষ্টকী হৈঙাং পুলিস ষ্টেসনগী মনাক্তা লৈবা হৈঙাং কাংজৈবুংগী কম্যুনিটি হোলদা পাঙথোক্লনবা লেপ্লম্বা ওল মণিপুর সেপাক তাক্রৌ এসোসিয়েসন (এএমএমটিএ) গী মীখলগী নোটিস অদু চৎনহন্দনা থমখ্রে।

এসোসিয়েসন অসিনা মসিগী ইলেক্সন পাঙথোক্লবগীদমক থাসিগী ৪ দা এসোসিয়েসনগী জেনরেল সেক্রেটরীনা থোকখিবা নোটিসপু পিটিস্নর অসিনা কোর্টসিদা রিট পিটিসন (সিভিল) নম্বর ৯৭২ ওফ ২০১৮ ফাইল তৌরক্তুনা চেলেঞ্জ তৌরকখিবনি।

পিটিস্নরশিং অদুনা কাইরং মনিং লৈকাইগী মুতুম ফাইরোইজ াম্বা (৩২), অপোকপা লৈখিদ্রবা এম য়াইমা অমসুং সগোলবন্দ মৈনো লৈরক্তংগী তোংব্রম রুহিনিকুমার (৫৫), অপোকপা লৈখিদ্রবা টি কেশোনি।

অদুগা পেটিসন অসিদা রেসপোন্দেন্টশিং ওইরিবনা মণিপুর গভর্নমেন্টকী কম্মিস্নর (কো– ওপরেসন), রেজিষ্টার ওফ সোসাইটিজ, ইলেক্সন অসিগী রিটর্নিং ওফিসর। এআরসিএম, এসোসিয়েসন অসিগী ফোরমর প্রসিদেন্ট খোমদ্রাম দোরেন্দ্রা (৬৫), ফোর্মর জেনরেল সেক্রেটরী পাঙম্বম দুরজিৎ অমসুং এদভোকেট কোঞ্জেংবম রোসননি।

ঙসি কোর্টনা পিটিসন অসি লৌখৎলগা খন্নখিবদা পিটিস্নরশিংগী মায়কৈদা সেনিয়র এদভোকেট নামৈরাকপম জোটেন্দ্রোনা লেপখি অদুগা রেসপোন্দেন্টশিংগী মায়কৈদনা এদভোকেট ঐচ তেজ প্রিয়ানা লেপখি।

কোর্টনা নাকল অনীগী কাউন্সেলশিংগী ৱাফম তারবা মতুংদা হয়েং মীখল পাঙথোক্লনবা থাসিগী ৪ দা থোকখিবা নোটিফিকেসন অদু চৎনহন্দনা থমখিবগা লোয়ননা কেসসিগী রেসপোন্দেন্টশিংদা নোটিসশিং ইশ্যু তৌনবা খঙহনখি। লোয়ননা কেস অসি রিট পিটিসন (সি) নম্বর ৯৫৫ ওফ ২০১৮ গা লোয়ননা থাসিগী ২৩ দা অমুক হন্না লিষ্ট তৌনবা খঙহনখি।

# মুম্বাইনা দিল্লিবু ৱিকেট ৪ দা থোইদুনা বিজয় হজারে ট্রোফি লৌখ্রে




*বিজয় হজারে ট্রোফিকী অহুম্লকশুবা টাইটল লৌখ্রবা মুম্বাইগী শান্নরোইশিংনা হরাওবা ফোঙদোকপা*

*বেঙ্গালুরু, ওক্টোবর ২০ঃ*

ইন্দিয়াদা পাঙথোকপা দোমেষ্টিক ক্রিকেট টুর্নামেন্টশিংগী মনুংদা অমা ওইরিবা বিজয় হজারে ট্রোফিগী ঙসি শান্নখিবা ফাইনেলদা মুম্বাইনা দিল্লিবু ৱিকেট ৪ দা থোইদুনা অহুম্লকশুবা টাইটল লৌখ্রে।

বেঙ্গালুরুদা লৈবা এম চিন্নস্বামী ষ্টেদিয়মদা মুম্বাই অমসুং দিল্লিনা শান্নখিবা ফাইনেল মেটচ অদুগী টোস মুম্বাইনা ঙমদুনা বোল্লিং হান্না তৌখি। দিল্লিনা হান্না বেট্টিং তৌরকপদা ৪৬শুবা ওভরগী ৪শুবা বোলদা ৱিকেট ১০ মক আওট ওইরগা রন ১৭৭ লৌখি।

দিল্লিগী ওপনর অনী ৱিকেটকিপর উনমুকট চান্দ অমসুং কেপ্টেন গৌতম গম্ভিরনা ইন্নিংস হৌদোরকখি। কেপ্টেন গম্ভির শুপ্নগী রন অমা লৌরম্লগা আওট ওইখি। অতোপ্পা ওপনর উনমুকট চান্দসু রন ১৩ লৌরম্লগা আওট ওইখিবদগী দিল্লিগী ফিভম শোকচিল্লকখি।

মরিশুবা বেটসমেন দ্রুভ সোরে অমসুং ৬শুবা বেটসমেন নিটিস রানানা দিল্লিগী ইন্নিংস অদু ফিভম খরা শেমগৎলকখি। মখোয় অনীসু মথংশিংনা রন ৩১ অমসুং ৪১ লৌরম্লগা আওট ওইখি।

৮শুবা বেটসমেন পৱন নেগি অমসুং ৯শুবা বেটসমেন সুবোথ ভাটিনা মথংশিংনা রন ২১ অমসুং ২৫ লৌরম্বা অদু নত্তনা মখা তাবা বেটসমেনশিং রন ১০ য়ৌনা লৌবা ঙমখিদবদগী দিল্লিগী ইন্নিংস অদু ওভর ৪৬কী ৪শুবা বোলদা ৱিকেট ১০ মক আওট ওইরগা রন ১৭৭ লৌরগা লোইশিনখি।

মুম্বাইগী বোল্লিংগী মায়কৈদা ধৱাল কুলকরনি অমসুং সিভম দুবেনা দিল্লিগী ৱিকেট ৩। ৩ লৌবা ঙমদুনা য়াম্না ফজবা ওইখি।

মায় পাক্লবগী রন ১৭৮ লৌবগী টার্গেট লৈখিবা অদু মুম্বাইনা ৩৫শুবা ওভর লোইশিনখিবদা ৱিকেট ৬ তুরগা রন ১৮০ লৌবা ঙমখিবদগী মেটচ অদু ৱিকেট ৪ দা থোইদুনা টাইটল লৌবা ঙমখি।

মুম্বাইগী ইন্নিংসসু হৌরকপদা ফিভম শোকখি। স্কোর বোর্দতা শুপ্নগী রন ৪০ খক্তা ঙাইরিঙৈদা মখোয়গী বেটসমেন ৪ আওট ওইখি। ৫শুবা বেটসমেন সিধেস লাদনা বোল ৬৮ মায়োক্লবদা রন ৪৮ লৌরম্বা অমসুং ৬শুবা বেটসমেন অদিত্য টারেনা বোল ৮৯ মায়োক্লবদা রন ৭১ লৌরম্বা অদুনা মেটচ অদু মায় পাকপা ঙমখিবনি।

# পুলিস কম্মেমোরেসন দে ২০১৮ মিনি মরাথোন পাঙথোকখ্রে

*ইম্ফাল, ওক্টোবর ২০ঃ*

১৮২ বাট্টলিয়েন বিএসএফ কোইরেঙ্গৈনা এসঐচক্যু (ওপস) বিএসএফ, মণিপুরগী মীৎয়েং মখাদা পুলিস কম্মেমোরেসন দে ২০১৮গা মরী লৈননা লৈখিদ্রবা বিএসএফ লনমীশিংবু নিংশিংবা ওইনা মিনি মরাথোন অমা পাঙথোকখ্রে।

নুপা অমদি নুপী বিএসএফ পর্সোনেল ১৩৫না শরুক য়াখিবা মরাথোন অসি খুমন লম্পাক ষ্টেদিয়মদগী কম্মন্দেন্ট (এদমিন), সেক্টর হেদ ক্বার্টর বিএসএফ এম লেখেনদ্রোগী লোইনবী বালা দেবীনা লমথাদুনা কোইরেঙ্গৈদা লৈবা বিএসএফ কেম্পস্তা লমথুংফম ওইখি।



পুলিস কম্মেমোরেসন দে ২০১৮ মিনি মরাথোন অসিগী নুপাগী চহি ৩৫ মখাগী কাংলুপ্তা অমুল মলকারিনা অহান্বা, সাইলেন্দ্র কুমারনা অনিশুবা অমদি সুপ্রিয়ো ঘোসনা অহুমশুবা তাখি।

নুপাগী চহি ৩৫গী মথক্কী কাংলুপ্তনা সারনাপ্পা ৱাই না অহানবা বাসুমান্তারিনা অনীশুবা অমদি এস মহাতোনা অহুমশুবা তাখি। নুপীগী চহি ৩৫গী মথক্কী কাংলুপ্তনা প্রিকানসা দেবীনা অহানবা, রাম চিটিনা অনীশুবা অমদি জমুনা রাথোরনা অহুমশুবা তাখি।

থৌরম অসিদা সেক্টর হেদ ক্বার্টর বোরর্দ সেক্যুরিটি ফোর্স (বিএসএফ) মণিপুরগী কম্মন্দেন্ট (ওপস) দিআইজি হিদম সুবোল সিংহনা চিফ গেষ্ট ওইদুনা মকোক মথং তারবশিংদা মনা–মথুম য়েন্থোকখি।


**IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR**
Porompat, Imphal East, Manipur
Ref. : Mutation Case No. 988/SDC/P of 2018

G. Chunjanglungpu S/o Abui Gangmei of Ragailong

Petitioner

-Vs-

G. Aphunna S/o (L) Kajaomu of Ragailong

O.P.

**NOTICE**

Porompat, the 20-10-2018

Under Sect. 46(3) MLR & LR Act. 1960 গা মরী লৈননা খঙহল্লি মদুদি Imphal East Porompat Circle গী Village No. 25(A)-Kabo Leikai Nongpok গী Patta No. --- (অরিবা) 937 (অনৌবা) C.S. Dag No. 1021/1070 an area .024 acre of Ingkhol class লম অসিগী Pattadar অসি মৃত্যু (Late) ওইখ্রে । মরম অসিনা মথক্কী Petitioner অসিনা লৈখিদ্রবা Pattadar গী মহুত্তা লম অসি মমিং ওনবীরো হায়না court অসিদা দরখাষ্ট থাররে। মরম অসিনা পাউচে অসিনা ফোঙবা মতুং নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নিগী মনুংদা অইবা চেগা লোয়ননা লম অসিগী মরী লৈনবা মীওইশিংনা SDC, Porompat Court অসিদা objection তৌবীরনবা খঙহল্লি । নৎত্রবদি court কী হৌনবী মতুং ইন্না case মখা চত্থগনি মতুংদা লাকপা ৱাকৎ court অসিনা লৌজরোই ।

Sd/-
Sub-Deputy Collector,
Porompat, Imphal East

SL/Bill(L)/21

**IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR**
Porompat, Imphal East, Manipur
Ref. : Mutation Case No. 986/SDC/P of 2018

G. Ngamlung S/o (L) G. Aphunna of Ragailong

Petitioner

-Vs-

G. Aphunna S/o (L) Kajaomu of Ragailong

O.P.

**NOTICE**

Porompat, the 20-10-2018

Under Sect. 46(3) MLR & LR Act. 1960 গা মরী লৈননা খঙহল্লি মদুদি Imphal East Porompat Circle গী Village No. 25(A)-Kabo Leikai Nongpok গী Patta No. --- (অরিবা) 938 (অনৌবা) C.S. Dag No. 1507/1537 an area 0.0335 acre of Ingkhol class লম অসিগী Pattadar অসি মৃত্যু (Late) ওইখ্রে । মরম অসিনা মথক্কী Petitioner অসিনা লৈখিদ্রবা Pattadar গী মহুত্তা লম অসি মমিং ওনবীরো হায়না court অসিদা দরখাষ্ট থাররে। মরম অসিনা পাউচে অসিনা ফোঙবা মতুং নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নিগী মনুংদা অইবা চেগা লোয়ননা লম অসিগী মরী লৈনবা মীওইশিংনা SDC, Porompat Court অসিদা objection তৌবীরনবা খঙহল্লি । নৎত্রবদি court কী হৌনবী মতুং ইন্না case মখা চত্থগনি মতুংদা লাকপা ৱাকৎ court অসিনা লৌজরোই ।

Sd/-
Sub-Deputy Collector,
Porompat, Imphal East

SL/Bill(L)/21